Hueiyen Lanpao

# ৱাই দব্লিয়ু সী লংথবাল অমসুং এম পি এস সী মখোয় মখোয়গী মেটচশিং মায় পাকপা ঙমখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ১২ (ঐচ এন এস) :
ৱাই দব্লিয়ু সী লংথাবলনা দব্লিয়ু এফ এ ককচীংবু মায়থীবা পীখ্রে। অদুগা এম পি এস সীনা এ এম এম এ এফ সীবু থোইবা ঙমখ্রে।

ঙসি ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসনগী মীৎয়েং মখাদা ১১শুবা অম্ফা সিনিয়র ৱিমেন্স ফুটবোল লীগ ফোর বি এম সিংহ ট্রোফি ২০২১ (ইন্দিয়ন ৱিমেন লীগকী প্রি ক্বালিফায়িং রাউন্দসু ওইরিবা) গী অনীশুবা মেটচতা ৱাই দব্লিয়ু সী লংথবালনা দব্লিয়ু এফ এ ককচীংবু পাঞ্জল ৭-১দা মায়থীবা পীখি। অদুগা অহুমশুবা মেটচতা এম পি এস সীনা এ এম এম এ এফ সীবু পাঞ্জল ৪-০দা থোইবা ঙমখি।



লম্লোং থোংখোঙদা লৈবা আর্টিফিসল টর্ফগ্রাউন্দদা পাঙথোক্লিবা টুর্নামেন্ট অসিগী শান্নখিবা অনীশুবা মেটচতা ৱাই দব্লিয়ু সী লংথবাল অমসুং দব্লিয়ু এফ এ ককচীং লম্বা তৌনখি। অহানবা হাফতগী হৌরগা ৱাই দব্লিয়ু সী লংথবালগী মায়কৈদগী য়াম্না ফজবা হেন্দুনা পাঞ্জল ৬ চনবা ঙমখি। মিনট ১খক্তা ঙাইরিঙৈ ৱাই দব্লিয়ু সীগী লিন্দা কোমনা একাউন্ট হাংদোকখি। মরিশুবা মিনটতা টিম অদুমক্কী টি থোইবীসনানা অনীশুবা পাঞ্জল অদু চল্লগা শান্নবগী ২০শুবা মিনটতা ৱাই লক্ষমীনা ৩শুবা পাঞ্জল চনখি। মেটচ অদুগী ৩৮শুবা মিনটতা ৱাই দব্লিয়ু সীগী ঐচ সিঙ্কিনা টিমগী ৪শুবা পাঞ্জল চনখি। অহানবা হাফ অদুগী ইঞ্জুরি টাইমগী অহৌবা মিনটতা সিঙ্কিনা পাঞ্জল ১গা হাপচিনখি। অদুগা ২শুবা মিনটতা থোইবীসনানা পাঞ্জল ১গা চল্লগা দব্লিয়ু এফ এ ককচীংবু ৱাই দব্লিয়ু সী লংথবালনা ৬-০দা হেন্দুনা লৈখি। অনীশুবা হাফ হৌরকপা মিনট ১৯ চঙশিল্লকপদা ৱাই দব্লিয়ু সীগী এল বাসিনানা শান্নবগী ৫৯শুবা মিনটতা টিম অদুগী ৭শুবা পাঞ্জল অদু চনবা ঙমখি। মেটচকী ৭৪শুবা মিনটতা দব্লিয়ু এফ এ ককচীংগী ভুমিকানা পাঞ্জল ১ চল্লগা ১-৭তা মখোয় মায়থীখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ৩শুবা মেটচতা এম পি এস সী অমসুং এ এম এম এ এফ সী লম্বা তৌনবদা অহানবা হাফ অদু পাঞ্জল অমত্তা চন্নদনা লেং মান্নখ্রবসু অনীশুবা হাফতা এম পি এস সীগী মায়কৈদগী ফজবা হেল্লকপদগী পাঞ্জল ৪ হাপচিনবা ঙমখি। টিম অদুগী দব্লিয়ু কনচননা ৪২শুবা অমদি ৭১শুবা মিনটতা পাঞ্জল ২ চনখি। লোয়ননা এল সনাথোই অমদি নাওচানা মখা তাবা পাঞ্জল ২ চনখি।

# ৱাই সী সী আই সী (বি), হোক্কী য়ুনিয়ন অমসুং এম এল ঐচ য়ু লংথবালগী টিমশিংনা লম্বা মায়থীবা পীখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ১২ (ঐচ এন এস) :
৯শুবা য়ুম্নাম রাশমণি মেমোরিএল য়ু-১৫ বোইজ অমসুং য়ু-১৭ গর্লস ৭ এসাইদ কেশ প্রাইজ হোক্কী টুর্নামেন্ট ২০২১গী ঙসি শান্নখিবা চহী ১৫ মখাগী নুপামচাগীদা ৱাই সী সী আই সী (বি), হোক্কী য়ুনিয়ন লাইরিকয়েংবম লৈকাই অমসুং এম এল ঐচ য়ু লংথবালনা মখোয়-মখোয়গী লম্বাশিংবু মায়থীবা পীখ্রে।



ৱাই সী সী আই সী (বি)না ঙসি কে সী দি ও কোংপালগা লম্বা তৌনখিবনি। মেটচ অদু হৌবদগী ৱাই সী সী আই সী (বি) গী শান্নরোয়শিংনা খুদুম চনবা ঙমখি। টিম অদুগী মায়কৈদগী এস ঐচ বিদ্যাচরননা পূন্না পাঞ্জল ৫ চনবা ঙমখি। লোয়ননা টিম অদুগী অতোপ্পা শান্নরোয় ৱাই রিশি অমদি দব্লিয়ু রোহিটসু পাঞ্জল ৩/৩ চনখি। মখোয় অহুমগী মশান্না অদুনা কে সী দি ও কোংপালবু য়াম্না হেনবা মওংদা মায়থীবা পীবা ঙমখিবনি। শান্নরোয় অহুম অদুনা পাঞ্জল ১১ চনখ্রবা মতুং টিম অদুগী অতোপ্পা শান্নরোয় এল প্রিতম অমসুং অবিস্নানা পাঞ্জল অমমম্ চল্লগা কে সী দি ওবু ১৩-০দা মায়থীবা পীখি।

হোক্কী য়ুনিয়ন লাইরিকয়েংবম লৈকাই অমসুং এস ঈ ৱাই ও শীংজমৈগী মেটচ অদুসু হোক্কী য়ুনিয়নগী মায়কৈদগী চাওনা হেন্দুনা পাঞ্জল ১৭-০দা থোইখি। হোক্কী য়ুনিয়নগী দব্লিয়ু দেরিশনা পাঞ্জল ৭ চনখি। মহাক্কী টিমমেট এম মনিমতুমনা পাঞ্জল ৬ চন্দুনা মখোয় অনীনা টিম অদুগী অপূনবা স্কোর ১৩ চনবা ঙমখি। অতোপ্পা টিম অদুগী শান্নরোয় পি সাইরসনসু এস ঈ ৱাই ওগী মায়কৈদা পাঞ্জল ৪ চল্লগা ঙসিগী মেটচ অদু হোক্কী য়ুনিয়ন লাইরিকয়েংবম লৈকাইনা এস ঈ ৱাই ও শীংজমৈবু পাঞ্জল ১৭-০দা থোইখি।

ঙসি শান্নখিবা নুপামচাগী অতোপ্পা মেটচ অমদা এম এল ঐচ য়ু লংথবাল অমদি কে ঐচ এস সী বাশিখোং লম্বা তৌনখি। মেটচ অসিদসু এম এল ঐচ য়ুগী মায়কৈদগী য়াম্না ফজবা হেনখি। টিম অদুগী শান্নরোয় কে দিলিপ অমসুং কে সঞ্জিৎনা পাঞ্জল ৩/৩ চনখি। কে বিক্রমনা ১, লোয়ননা টি ঐচ জোজুপনা পাঞ্জল ২ চল্লগা টিম অদুগী কেপ্টেন সান্সননা পাঞ্জল ২ অমগা হাপচিন্দুনা ১১-০দা থোইখি।

# পবজি য়ুনাইটেদ অংথা সেমীফাইনেল চঙখ্রে



ইম্ফাল, মার্চ ১২ (ঐচ এন এস):
ওদেসিয়স গ্রুপ য়াইরিপোক্না শীন্দুনা পাঙথোকপা অনীশুবা ওদেসিয়স কপ মণিপুর ষ্টেট ওপন (ইন্টর ভিলেজ) ১১-এসাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০২১গী ঙসি শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা পবজি য়ুনাইটেদ অংথানা টি ঈ এ টুলিহলবু মায়থীবা পীদুনা সেমীফাইনেল য়ৌখ্রে।

মেটচ অদুগী অহানবা হাফকী শান্নরকপা অদুদা টিম অনীমক্কী মায়কৈদগী য়াম্না লম্বা মান্নবা মরম্না পাঞ্জল চন্নবগী খূদোংচাবা ফংনখিদে। স্কোরবোর্দতা ০-০ লৈরগা অহানবা হাফ লোইশিনখি। অনীশুবা হাফ হৌরকপা শান্নবগী ৫১শুবা মিনটতা পবজি য়ুনাইটেদ অংথাগী মায়কৈদগী চথুরকখিবা এটেক অমদা টি ঈ এ টুলিহলগী দিফেন্দরশিংবু লাম্হোক্তুনা খূদোংচাবা ফংখিবা জর্সি নম্বর ১৭ কে প্রেমানন্দনা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অদুগী অহানবা পাঞ্জল চনখি। মেটচ মখা চথুরকপা টি ঈ এ টুলিহলগী শান্নরোয়শিংনা ইক্বেলাইজর ফংনবা হোৎনখিবা অদু অরেম্বা তাদুনা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অদু পবজি য়ুনাইটেদ অংথানা ঙমদুনা সেমীফাইনেল য়ৌখি।

ঙরাং টুর্নামেন্ট অসিগী ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা পি য়ু সী ফুন্দ্রে অমসুং এ এন দি সী ঙারিয়ান শান্নবদা পি য়ু সীনা ৪-২দা থোইখি হায়বা অদু ৩-০দা থোইখি হায়গদবনি।

# জি দি সীনা ও এস এবু থোইখ্রে

বিষ্ণুপুর, মার্চ ১২ (ঐচ এন এস):
দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিএসন বিষ্ণুপুরনা শীন্দুনা মফম অদুগী মিনি ষ্টেদিয়মদা পাঙথোকপা অহানবা লৈখিদ্রবা থোকচোম ইবোপিশক ফর্ষ্ট দিভিজন ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা ২৫শুবা মেটচতা জি দি সীনা ও এস এগা শান্নবদা পাঞ্জল ২-০দা মায় পাকপা ঙমখি।

মেটচ অদুগী হৌরকপা মতম ইকান কান্নদনা জি দি সীগী মায়কৈদগী রনবিরনা শান্নবা হৌরকপা শুপ্নগী মিনট ৩ চঙশিল্লকপদা টিম অদুগী একাউন্ট হাংদোকপা হৌখি। ও এস এগী মায়কৈদগী শোথখিবা পাঞ্জল অদু লাম্হোক্লবা কন্না হোৎনখি।

অদুবু অহানবা হাফ লোইশিল্লকপা ফাওবদা ও এস এগী শান্নরোয়শিং অমত্তা পাঞ্জল চনবা ঙমদনা জি দি সীনা হেল্লগা লোইশিনখি।

মেটচকী অনীশুবা হাফ হৌরকপা পাঞ্জল অমা মাঙজিল থাদুনা লৈরিবা জি দি সীগী মায়কৈদগী জর্সি নম্বর ৯ এল রোনাল্ডোনা ৪৮শুবা মিনটতা টিম অদুগী অনীশুবা পাঞ্জল অদু চন্দুনা ২-০দা মাঙজিল থাখি।

শান্নবগী মখা তারকপদা জি দি সীনা পাঞ্জল ২ হেন্দুনা লৈখিবা অদু ও এস এনা হন্দোকপা ঙমদনা লৈখি। মেটচ অদুবু আর কে রঞ্জননা রেফরি ওইনা থৌদাং পুখি। রেফরি এসিষ্টেন্টগী থৌদাং এল জয়কুমার লোয়ননা এসিষ্টেন্ট রেফরিদা ননাও অমসুং অশানন্দনি।

# জেক এফ সী অংথা সেমীফাইনেল য়ৌখ্রে



ইম্ফাল, মার্চ ১২ (ঐচ এন এস):
ভিলেজেস কম্যুনিটি প্রোগ্রেসিভ কম্মিটি (ভি সী পি সী)না শীন্দুনা পাঙথোকপা অহানবা ভি সী পি সী ট্রোফি মণিপুর ষ্টেট ওপন ৯-এসাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা জেক এফ সী অংথানা শিমরল এফ সী তেম্থাবু থোইদুনা সেমীফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে।

ঙসিগী ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অদু হৌবদগী হৌনা টিম অনীগী শান্নরোয়শিং মায় পাক্লনবা মখোয়-মখোয়গী লম্বাশিং অদুবু লাম্হোক্তুনা বোল পুশিন্নবা কয়ারক হন্না হোৎনখি। অদুবু অহানবা হাফকী অপীবা মতম লোইশিল্লকপা ফাওবদা পাঞ্জল চন্নবা ঙমদনা লৈখি।

অনীশুবা হাফতসু অহানবা হাফকুম্না পাঞ্জল চন্নবা হোৎনখিবা অদু অরেম্বা তাখি। মেটচকী অপীবা মতম লোইশিল্লকপদা স্কোরবোর্দতা মায় পাকপা য়াবগী পাঞ্জল অমত্তা লৈখিদবদগী টুর্নামেন্ট অসিগী চৎন-কাঙলোনগী মতুংইন্না কিক ফোর দি পেনাল্টি মার্ক (পেনাল্টি শুট আউট) পাঙথোকপদা জেক এফ সী অংথাগী মায়কৈদগী পাঞ্জল ৩ চনবা ঙমখি। মখোয়শিং অদুদি ওলেন, ইন্দ্রাজ অমসুং কিষননি। অদুবু শিমরল এফ সীগী শঙ্করখক পাঞ্জল চল্লগা মায়থীখি।

# এল ৱাই এল এলনা এল ৱাই ভি ও থোইখ্রে, কে ৱাই এফ এনা লোক্তাক এফ সী মায়থীবা পীখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ১২ (ঐচ এন এস):
এল ৱাই এল এলনা ১৫শুবা লেট এন বালানন্দ মেমোরিয়ল সেকেন্দ দিভিজন লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০২০-২১দা এল ৱাই ভি ওবু ৩-১দা থোইখ্রে। হায়রিবা টুর্নামেন্ট অসিমক্কী অতোপ্পা মেটচ অমদা কে ৱাই এফ এনা লোক্তাক এফ সীবু ১-০দা মায়থীবা পীবা ঙমখ্রে।



দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিএসন বিষ্ণুপুরগী মখাদা পাঙথোক্লিবা টুর্নামেন্ট অসিগী অয়ূক্তা শান্নখিবা এল ৱাই এল এল অমসুং এল ৱাই ভি ও লম্বা তৌনবদা অহানবা হাফতা লেং মান্নদুনা পাঞ্জল অমমম্ চন্নরগা লৈখি। অহানবা পাঞ্জল অদু এল ৱাই এল এগী জাতাকচুংনা ২৬শুবা মিনটতা চনখি। অদুবু এল ৱাই ভি ওগী হিয়াং দাইপুনা ২৯শুবা মিনটতা ইক্বেলাইজর অদু চনবা ঙমখি। টুর্নামেন্ট অসিগী ওইনা ঙসিগী মেটচ অদুদা মেটচ অদুগী অনীশুবা হাফ চথুরকপদা এল ৱাই এল এলগী এল মাইকেলনা ৪৩ অমসুং ৫৮শুবা মিনটতা পাঞ্জল ২ চল্লগা ৩-১দা মায় পাকখি।

বিষ্ণুপুর মিনি ষ্টেদিয়মদা টুর্নামেন্ট অসিগী অতোপ্পা অয়ূক্তা শান্নখিবা মেটচ অমদা কে ৱাই এফ এ অমসুং লোক্তাক এফ সী লম্বা তৌনখি। শান্নবগী হৌরকপা মিনট ২০ হেল্লকপা ফাওবা পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমখিদে। অদুবু কে ৱাই এফ এগী জর্সি নম্বর ১৯ কে ঐচ লেম্বনা শান্নবগী ২৪শুবা মিনটতা পাঞ্জল চল্লগা মাঙজিল থাখি। অনীশুবা হাফতা টিম অনীমক্কী মায়কৈদগী অহেনবা পাঞ্জল চন্নখিদবনা কে ৱাই এফ এনা ১-০দা থোইখি।

# আর ঈ ৱাই এস নাগামপালনা অল অমিন লিলোংবু ৱিকেট ৫দা মায়থীবা পীখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ১২ (ঐচ এন এস):
মণিপুর ক্রিকেট এসোসিএসননা শীন্দুনা পাঙথোকপা ৫শুবা এম এন সী এ এলিট এলিগেসন রাউন্দগী ঙসি শান্নখিবা ৩শুবা মেটচতা আর ঈ ৱাই এস নাগামপালনা অল অমিন লিলোংবু ৱিকেট ৫দা থোইবা ঙমখ্রে।

মেটচ অদুগী টোস অল অমিন লিলোংনা ঙমদুনা বেটিং হান্না তৌখি। মদুদা টিম অদুগী মায়কৈদগী অপীবা ওভর ৪০ শান্নবা অদুদা আর ঈ ৱাই এস নাগামপালগী মায়কৈদগী বোলরশিংনা য়াম্না ফজনা অল অমিনগী বেটসমেনশিংবু রন লৌবা ঙমহনখিদে। অল অমিন লিলোংগী মায়কৈদগী অহুমশুবা বেটসমেন এম দি অল বাসিদনা রন ১৩ লৌরম্বা অদুনা খ্বাইদগী য়াম্বা ওইখি।

ওপনর এম দি নসির শাহনা রন ১১ লৌরম্বা অদু নৎতনা টিম অদুগী অতোপ্পা বেটসমেন অমত্তা রন ৯ য়ৌবা ঙমখিদে। আর ঈ ৱাই এস নাগামপালগী রিশিকান্ত অমসুং প্রদিপ ৱিকেট ৩/৩ লৌবা ঙমখি। লোয়ননা অতোপ্পা বোলর জিতেন্দর থাকুরনা ৱিকেট ২ অমসুং বিশ্বরজিৎসু ৱিকেট অমা লৌখি।

আর ঈ ৱাই এস নাগামপালনা মায় পাক্লনবা রন ৬২গী টার্গেট অদু টিম অদুগী মায়কৈদগী শুপ্নগী ওভর ১৬ শুরকপগী অহানবা বোলদা ৱিকেট ৫ তুরগা রন ৬৫ য়ৌদুনা মেটচ অদু মখোয়না ৱিকেট ৫দা থোইখি। আর ঈ ৱাই এস নাগামপালগী মায়কৈদগী মরিশুবা বেটসমেন জয়েন্তনা বোল ২১দা রন ২২ লৌদুনা টিম অদুগী মায়কৈদগী খ্বাইদগী য়াম্বা স্কোর ওইখি। ওপনর মিন্টু চন্দ্রসু রন ১৯ লৌরমদুনা ফজখি।

হয়েং ৱাই দব্লিয়ু সী লংথবাল অমসুং থাও থাংমৈবন্দ শান্নগনি।

## ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর (বাইওষ্টেট) জেনিমস
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ১৩।০৩।২০২১ ইং, থাংজা; নুংথিল পুং ৩.৫১ ফাওবা ফাইরেলগী থাশুনি, মতুং লমতাগী নোংমা পাল্লনি।

মেষ: মীয়াম পুনবা পান্বা অমদি পাইরক্কী লৌশিং য়াম্না চালবা নুমিৎনি। মাংলোমদা লেপ্তুনা চংশিনবা অফবা তাঞ্জা পংগনি। নচাক নরলদি চেকশিল্লু।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশিবনা চানবীগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

বৃষ: শেল-থুমগী লমদা মাই পাক্কনি, নক্লবগী মতেং লৌবসু কান্নগনি অমদি ইচং থৌবনা পাংঙমদবা থবক লাইনা পাংগনি। খোইরাংবদি ফাথবা ফগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - লাইবক ফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

মিথুন: অনিংবা থবক্তা নচাক নরল থাদবা অকাইবা লৈরোই। মরুপ খনবা অমদি ৱা ঙাংবদি খরা চেকশিনবা ফগনি। অঙম্বনা পুক্নিং নংহনবা য়াই।
লৈশা পাখংশিংগী - য়েৎনবনা মাংজগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

কর্কট: হকচাং নুংঙাইবা অমদি লাইবক ফবা ৱাৎপা লৈ। থৌয়াম পুবা অমদি হোয়া ফবা তৌগনু। পাউদি নুংঙাইবা তাগনি অদুবু খুরৌথাংবা অমদি লোইনৈ।
লৈশা পাখংশিংগী - খাংবা কল্লু।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

সিংহ: পুক্নিং ফাথনা অমদি ঈৎথনা লৈগদবা নুমিৎনি। মীয়ামগা মরী ফনা লৈনবা হোৎনৌ অমদি হকচাংগী খল্লগা অচম্বা চাবা ফবা নুমিৎনি। মতম খরা লৌ।
লৈশা পাখংশিংগী - য়াকা য়েংনা চৎলু
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক/থোইদিং অমুবা।

কন্যা: নিংবা খ্বাইদগী হেন্না থুংবা নুমিৎনি। ললোন ইতিক অমদি পন্দুনা লৈরুবা শেল-থুমগী লমদা মাই পাকচগনি। মীয়াম্নদি ৱারৌবা লৈ, ঈরাং পুগনু।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংঙিবা ফংবৈ নুংঙাই।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা।

তুলা: লাইবক ফরনি, অনিংবা থবক পাংবা য়ারনি অমদি মীয়ামগা লোইননা থৌ পাংবগী নুংঙাইজবা লৈগনি। পোরম য়াৎপা হৈবা ৱাৎলি, থিবা খরা কল্লু।
লৈশা পাখংশিংগী -নিংজবা ফংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

বৃশ্চিক: ইমুং মনুংদা হুরানবনা তাথিবা লৈ, অরোন-অথুপ চেকশিল্লু অমদি পুক্নিং ৱাদনবা অখং অহৈগী ৱা তাও। মীয়ামগা লৈনবা মরিদি ফগৎকনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশিবা ফংই।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

ধনু: হনবা লৈতনা হোৎনবনা অফবা মফম কনবা ঙল্লগনি। ৱানোম থৌনোম কান্নবা হৌরগনি অমদি নচা ননাই চাওখৎকনি। হেন্না অশা চাওবদি য়াদে।
লৈশা পাখংশিংগী - হোয়া ফগনু।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা।

মকর: অয়েৎপা অমদি শাওনবা খরা লৈরসু মাই পাকচগদবা অমদি শেন্দোং তানবদা কান্নগদবা নুমিৎনি। চিন কনবদি কান্নরোই নরল ময়েং তাগনি।
লৈশা পাখংশিংগী -নিংবা খরদি থুংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অশংবা/হিগোক।

কুম্বা: পুক্নিং ফাথনা লৈয়ু। হান্নদগী হেন্না মরম চাদনা অশা চাওগনু। তপথবনা মাংগদবদু কল্লি হাইবা কাওগনু। মরুপ লোইনৌ, ওজা-গুরুগী ৱা তাউ।
লৈশা পাখংশিংগী -মীৱা লৌগনু।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক/থোইদিং অমুবা।

মিন: হরাওবা নুংঙাইবা নিংবা থুংবা অমদি শেন্দোং চাওনা ফংবা নুমিৎনি। অদুবু অনম তানবা অমদি ৱাখল চরাংনরবা অরেম্বদা চাদিং তৌগনি, কাওগনু।
লৈশা পাখংশিংগী -ৱাখল নুংঙাই।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।

# গ্রাসরুট ফুটবোল কোচিং লোইশিনখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ১২ (ঐচ এন এস) :
টি জি ঈ সীনা শীন্দুনা থা ১ চুপ্না ওইনামদা চথুরকখিবা গ্রাসরুট ফুটবোল কোচিং ঙরাং লোইশিনখ্রে।

লোইশিনবগী থৌরমদা চীফ গেষ্ট ওইখিবা ওইনাম এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সিগী এম এল এ অমদি মণিপুর পোল্যুসন কন্ট্রোল বোর্দকী চ্যেরমেনসু ওইরিবা এল রাধাকিশোরনা তাংলৈপুং গ্রাউন্দ এক্সটেন্সন কম্মিটি ওইনামনা শীন্দুনা পাঙথোরকপা গ্রাসরুট লেভেল ফুটবোলগী কোচিং অদুবু থাগৎপা ফোঙদোকপগা লোয়ননা চাউখৎপা হেল্লকপগী মতুংইন্না ময়াই কাবা চীঞ্জাকশিং শীজিন্নবা হেল্লক্তুনা হৌগৎলক্লিবা নহাশিং মাঙবা হেনগৎলপা থিংনবা শান্ন-খোৎনবদা মায় ওনশিন্নবা হোৎনরিবা অসি অফবা খোঙথাং অমনি হায়খি।

থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা গভর্ণমেন্ট ওফ মণিপুরগী পি দব্লিয়ু দিগী প্রোজেক্ট দিরেক্টর ৱাই জয়কুমারনা ফোঙদোকখিবদা, গ্রাসরুট লেভেলগী কোচিং অসি মণিপুরগী কাচিন-কোয়া য়ৌনা পাঙথোক্লবদি হৌজিক-হৌজিক মণিপুরদগী ইন্টরনেসনল শান্নরোয় কয়া অমা থোরক্লিবা অসি অমুক্কা হেন্না মশীং হেনগৎলক্কনি হায়খি।

ঙসি গ্রাসরুট লেভেল ফুটবোল কোচিং অদু লোইশিনবগী থৌরম অদুদা ওইনাম ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী চ্যেরপর্সন এন সনাহল, নম্বোল পুলিস ষ্টেসনগী সেকেন্দ ও সী এন দেবদাসসু শরুক য়াখি। শরুক য়াখিবা অঙাংশিংদা সর্টিফিকেট পীখি।




## হুইয়েন লানপাউ পব্লিক ওপিনিয়ন

### ময়াম্না কারি হায়রি, কারি পাল্লি

**ময়াই কাবা চীঙাক্কী অথিংবা লৈরবসু দ্রগ চাবা মশীং নোংম নোংমগী হেনগৎলক্লিবা অসি লৈঙাক্না থিংগৎপীয়ু**



পাল্লিবা লৈঙাক অসিনা ময়াই কাবা চীঙাক দ্রগপু লমদম অসিদগী মরু ফংনা মুথৎনবা কন্না হোৎনরি হায়বসি ঐখোয় পূন্নমক্না খঙই। অদুবু য়াম্না কন্না চহী কয়াদগী অথিংবা কয়া থমদুনা ময়াই কাবা চীঙাক থিংনবা হোৎনরবসু নোংম নোংমগী দ্রগ চাবা, কাপ্পাগী মশীং হেনগৎলক্লি। মসিগী মরম পাল্লিবা লৈঙাক অসিনা থিদোকপীয়ু। ঙসিদি দ্রগনা হিংবা নহা কয়া অমা লমদম অসিদা লৈরি। অসিগুম্বা দ্রগনা হিংলিবা নহাশিংগী মরমদা লৈঙাক্না থিদোকপীরগা মখোয়গী পুন্সি মতৌ করম্না কল্লগা নোর্মেল লাইফতা হিংজবা ঙম্নবা শীনবীবা তঙাইফদ্রে হায়না খল্লি। অমরোমদা লৈঙাক্না চহী খুদিংগী নোংমৈনা পান্দুনা শিখিবা অমদি বোম পোকখায়বনা শিখিবা মী অমদি থৌরি য়ান্দুনা শিখিবা মীওইশিংগী মশীং হেক হেক লাউথোকপগুম্না দ্রগনা মরম ওইদুনা শিখিবা মীওইশিংগী মশীংসু লৈবাক মীয়ামদা ফোঙদোকপীরগদি দ্রগ চারিবা নহাশিং অমদি মচা মশুশিং দ্রগ চারে খঙলবা মমা মপাশিংনসু চেকশিনবগী তাঞ্জা লৌনবগী মতম ফংগনি হায়না খল্লি। মরম অদুনা সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসন অমদি লূপ কয়ানা হীরম অসিগী মতাংদা লৈঙাক্কী মতেংসু পাঙহন্নিংই।

❒ খুন্দ্রাকপম নোবিন, খাঙবোক মায়ম্নাম লৈকায়

### তুংগী মীরোলগী য়েংলগা এগজাম ময়াদা নিল খোঙবা অমদি চাকচা হৈজানবগী থবক তোক্লসি



কোভিদ-১৯ লায়না লায়চৎনা মরম ওইদুনা চাওরাক্না চহী অমরোম লাইরিক তম্বা ফংদনা লাকখিবা অদু কোভিদ-১৯ গী চৈথেং হন্থরকপা মরম্না স্কুল কোলেজশিং হাংনরক্তুনা মহৈ তম্বা ফংলকপা অসি অফবা খুদম অমনি। অদুবু য়াওশং ময়াদা লাক্কদৌরিবা এগজামশিং অসিদা মীয়াম্না ৱাখল তাবিদুনা নিল খোঙবা অমদি চাকচা হৈজানবগী থবক কা হেন্না তৌবিদনা লাইরিক তম্বা ফংলক্ত্রবা মহৈরোয়শিংনা এগজাম থাবদা মতেং ওইনবা হোৎনবীয়ু হায়জরি। মরমদি চহী অমরোম লাইরিক তম্বা ফংলকখিদবনা এগজাম থানবা হোৎনরকপদা মহৈরোয়শিংদা অৱাবা কয়া মায়োক্লরক্কনি। লাইরিক পাবগী মতম অমদি ওজাশিংগা তানবগী মতম খরা খজিক ফংজবা অসিদা ঐখোয়না অমুক য়াওশং ময়ানি হায়দুনা নিল খোঙবা অমদি তোঙান তোঙানবা কুম্মৈ হরাওগী থবক কয়া তৌশিল্লবদি মহৈরোয়শিংদা অচৌবা অয়েৎ অপন পীবা হায়বদু থোক্কনি। অমরোমদা ভোট ময়া নকশিল্লকপনা মীখলগী ওইবা তোঙান তোঙানবা থৌরম কয়া পাঙথোকপগা লোয়ননা চাকচা হৈজানবগী থৌরমশিং লেপ্পা লৈতনা পাঙথোক্লরক্লি। মরম অদুনা লাক্কদৌরিবা এগজামশিংগীদমক খনবীদুনা মহৈরোয়শিংবু সপোর্ট তৌমিন্নসি।

❒ য়ুমখাইবম ইনাওচা লুৱাং, তোপ মখা লৈকায়

অদোমগী মরুওইবা ওপিনিয়ন ৯৭৭৪৮০৩১৪৫ নত্রগা hueiyen_lanpao@rediffmail.com/hueiyen_lanpao@yahoo.co.in দা থাবিরকউ।

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Thounaojam Birdhaja, Managing Editor: Maisnam Karnajit, Printing In-charge : Wahengbam Ranjit; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com